**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07-02-2025)**

**ককচিং (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা শিনদুনা ককচিং জিলাগী মীয়ামগী নুমিৎ ঙসি ককচিংগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিস কমপ্লেক্স অমসুং ৱাইখোংগী এস.দি.ও. ওফিসতা পাঙথোকখি। সরকারগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ২২ গী স্তোলশিং হাংদুনা মীয়ামগী তঙাইফদবা সার্ভিসশিং ফংহনখি অমদি ৱাকৎশিংসু তাখি।

মীয়ামগী নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রোহিত অনন্দনা হায়-থা ১৮ লোম পাঙথোক্লুদ্রবা মতুংদা মুখ্য মন্ত্রিগী মীৎয়েং মখাদা মীয়মাগী নুমিৎ অমুক নৌনা পাঙথোকপা হৌবনি। মীয়ামগী নুমিৎ অসি থা খুদিংগী পাঙথোকবা হোৎনরি।

**মীয়াম(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা মীয়ামগী নুমিৎ ঙসি তেরাখোংদা লৈবা কুম্বী গভরমেন্ট হায়স্কুল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরনা শিনদুনা পাঙথোকপা নুমিৎ নিনি চথুগদবা থৌরম অদুদা সরকারগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী স্তোল ৩৩ হাংদোকখি। মীয়ামগী নুমিৎ অদুদা জিল অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মীওইশিংনা ৱাকৎ ৬০০ রোম পুখৎলকখি। হেলথ কার্ড, লেবর কার্ড, ওল এজ পেন্সন অমসুং ৱিদো পেন্সনচিংবগী কার্ডশিং শাবা অমস্ং রেভিন্যুগা মরী লৈনবা ৱাকৎ কয়া থবক্তা ওন্থোকবা হোৎনবনা ঙসিগী মীয়ামগী নুমিৎকী মরুওইবা শক্তমশিং ওইখি। মীয়ামগী নুমিৎ অদুদা শরুক য়াবা লাকখিবা ৱাংঙু তেরাখোং গ্রাম পঞ্চায়টকী এদমিনিষ্ট্রেটিব কমিতিগী চেয়ারমেন-পোৎশংবম বালেশ্বরনা অকাশবানি ইন্ফালদা অসুমা ফোংদোরকখি।

**এমএলএল(এল)ঃ** জে.দি.(য়ু) গী এম.এল.এ. মঙা দিসক্কালিফিকেসন তৌনবা মনিপুর বিধান সভাগী স্পিকরস ত্রাইব্যুনেলদা থারকপা কেস অমগী ফাইনেল হিয়ারিংগী রাই রিজাব তৌদুনা থমখ্রে।

ঙসি চত্থখিবা ফাইনেল হিয়ারিং অসিগী রাইগী মতুং ইন্না জে.দি.(য়ু) গী এম.এল.এ. মঙাগী লাইবক লেপকদৌরিবনি।

**কেলেন্দর (এল)ঃ** স্কিল, লেবর, ইমপ্লোইমেন্ট এন্দ ওন্টরপ্রেন্যুয়রসিপ মন্ত্রি-হৈখাম দিংগোনা হায়রি-ক্রাফসমেন্ট ত্রেন্নিং দাইরেক্তোরেটনা মতমগা চুন্নরবা ত্রেন্নিং কয়া পীদুনা শিন্মীশিংগী হিংবগী থাক ৱাংখৎহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনরি।

ইম্ফালদা ঙসি ক্রাফটসমেন ত্রেন্নিং দাইরেক্তোরেটকী ইং ২০২৫ গী চহিগী কেলেন্দর ফোংবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-ক্রাফটসমেন্ট ত্রেন্নিং দাইরেক্তোরেটকী ওইনা মমাংদা কেলেন্দর অমত্তা ফোংখিদ্রি। ঙসিগী অসিনা ইহান হান্না ফোংবা কেলেন্দরনি। দাইরেক্তোরেট অসিগী মখাদা ত্রেন্নিং তৌরিবা মীওইশিংনা হেন্না খঙবদনা লায়ন্ননবা  য়াওনা ফজবা মওংদা কেলেন্দর অসি পুথোকপনি।

থৌরম অদুদা স্কিল, লেবর, ইমপ্লোইমেন্ট এন্দ ওন্টরপ্রেন্যুয়রসিপকী সেক্রেতরি নোংমাইথেম বন্দানা অমসুং ক্রাফটসমেন ত্রেন্নিংগী জোইন্ট দিরেক্তর-য়াইফবা লোংজম শরুক য়াখি।

**নোনে(এল)ঃ** বেতি বচাউ-বেতি পরাও স্কিমনা চহি তরা শুরকপগী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নোনেনা, নোনে পুলিস, আই.সি.দি.এস. সেল অমদি ৱান স্তোক সেন্টরগা পুন্না খুৎশমদুনা ঙসি জিলা অসিগী লোংমাই টাউন্দদা নুপীশিংগী ওইবা বাইক রেল্লি অমা চৎখ্রে।

বাইক রেল্লি অসি জিলা অসিগী এস.পি. নমশাদাই পিটর পামৈনা লমথাখি। খুমজি ব্রিজ পোইন্টদগী হৌদুনা লোংমাই পার্ট ফোরদা লৈবা পিছলেন্দ

ফাওবা চৎখিবা বাইক রেল্লি অসিদা নুপী বাইক্কর ২৮ য়াওনা মীওই ৬০ রোমা শরুক য়াখি।

নুপীশিংদা শক্তি পীনবগী পান্দমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবা বেতি বচাউ-বেতি পরাউ স্কিমনা চহি তরা মপুং ফারকপগী থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি চুরাচান্দপুরদা মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। তুইবোং অমসুং চুরাচান্দপুরগী এস.দি.ওশিংনা পুন্না শিনবা খোঙচৎ অদু জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ধারুনকুমারনা লমজিংদুনা চৎখি। খোঙচৎ অদু তুইবোং পব্লিক গ্রাউন্দদগী হৌরগা পিছ গ্রাউন্দ ফাওবা চৎখি।

**ফয়ার (এল)ঃ** অশিৎ-অৱান থা লাকপা অমসুং ঈশিং তাংবা মতম অসিদা মৈহৌ লাংপোক থোরক্তনবা চেকশিন্ননা লৈননবা মনিপুর ফয়ার সার্ভিসকী দাইরেক্তর-লাইশ্রম নবাচন্দ্রনা আপিল তৌরি।

অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা উন্নবা অমদা শ্রী নবাচন্দ্রনা মৈহৌ লাংপোক থোরক্তনবা চেকশিন থৌরাং কয়া ফোংদোক্লদুনা হায়-মৈ হৌরকপা য়াবা পোৎলমশিং য়ামা চেকশিনগদবনি। অঙাংশিংনা ফংবা মফমদা মৈখেৎ থম্বীরোইদবনি। চুরুপ-বেড়িনচিংবা থকপা লোইরগা নীংথিনা মুথুৎকদবনি। পেত্রোল অমদি কেরোশিন চাং কা হেন্না য়ামা থল্লোইদবনি। চিংদা অমদি লমহাংদা চাকচা হৈজানবা লোইরগা শিজিন্নরম্বা মৈ নীংথিনা মুথুৎতুনা থমগদবনি। ইলেক্ত্রিক্তকী মৈ চাং ৱাংনা শিজিন্নবদা চেকশিনগদবনি অমসুং মৈহৌ লাংপোক থোক্লবদি ফয়ার সার্ভিসতা অথুবা মতমদা পাউ পীবিগদবনি।

ইম্ফাল ফয়ার সার্ভিস হেদক্বাটরসকী টেলিফোন নম্বর-245-0101 নি। অদুগা মোবাইল নম্বরনা-841-592-5200 নি।

**দিসএবিলিতি (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী ষ্টেট কম্মিসনার ফোর পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফাল সহরগী তোঙান তোঙানবা মফম

৮ দা সুকমায়া য়াত্রা লমথাখি। মসিগা লোয়ননা গুগল প্লে ষ্টোর অমসুং এপ্পল এপপ ষ্টোরদা য়েস টু এসেস এপপসু হাংদোকখি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংগী হক মপুং ফানা ফংহন্নবগী পান্দমদা কেন্দ্র সরকারগী সোসিয়েল, জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রালয়গী মীৎয়েং মখাদা ঙসি লৈবাক অসিগী সহর ১০০ দা য়াত্রা অসি হৌদোকখি। রাজ্য অসিগী ওইনসু ষ্টেট কম্মিসনার ফোর পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ অমসুং কম্পোজিৎ রিজনেল সেন্তর (সি.আর.সি.এস) কী দিরেক্তরগা খুৎশমনা শিন্দুনা যাত্রা অদুক লমথাখি।

হকচাংগী ফিভম মামান্নদ্রবশিংনা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াওনা অতৈ খুদোংচাবশিং ফংহন্নবগীদমক্তা পায়খৎপা থৌরাং অসিগী মতাংদা ষ্টেট কম্মিসনার পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ, মণিপুর-ৱাইখোম বিরাহরিনা হায়-সুকমায়া য়াত্রা অসি ভারতকী সহর ১০০ দা সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা হৌদোকপনি। সহর ১০০ অসিগী মনুংদা মণিপুরসু য়াওরি।

মহাকা হায়-ঙসি হৌদোক্লিবা য়াত্রা অসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা হেন্না লায়থোকহল্লগনি। য়াত্রা অসি মরুওইনা ইম্ফালগী মরুওইবা মফমশিংদা পাঙথোক্তুনা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংদা পীরিবা হকশিং অদু মীপুম তিংনা খঙহন্নবা শিনবনি।

**চান্দেল(এল)ঃ** চান্দেল জিলাগী সাউথ ইষ্ট মনিপুর কলেজকী দিপার্টমেন্ট ওফ কর্ম্মস, কলেজ অসিগী আই.ক্যু.এ.সি. অমদি নৈলিট ইম্ফালনা পুন্না শিনদুনা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ.আই) অমসুং দ্রোন পাইবগী টেকিকশিংগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা কলেজ অসিদা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কশোপ অসিগী অহানবা সেসনদা এ.আই. ইন হয়ার এদুকেসন অমসুং

দ্রোন এন্দ দিয়ার এপ্লিকেসন ইন মোর্দন সোসাইতি হায়বা লমদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল-ডা: এল. খিলোনি, আই.ক্যু.এ.সিগী কো-ওর্দিনেটর, ওজাশিং, ষ্টাফশিং অমদি মহৈরোইশিং শরুক য়াখি।

**সেনাপতি (এল)**ঃ প্রি-কন্সেপসন এন্দ প্রি-নটাল দাইগোষ্টিক টেকিক এক্ট-১৯৯৪, সেনাপতি জিলাদা নীংথিনা চৎনহন্নবগী মতাংদা ইন্সপেক্সন এন্দ মোনিটরিং টিম অমনা ঙসি চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

মীহুৎ কাংবু অদুনা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা য়ু.এস.জি. সেন্টরশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখি।

**কেম্পেইন (এল)**ঃ সোসিএল এৱারনেস এন্দ এক্সন টু ন্যুত্রেলাইজ ন্যুমোনিয়া সক্সেসফুল্লি (সান্স) কেম্পেইন ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-এম. রাজকুমারনা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী চাইল্ড হেলথকী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার-ডা: কেশ্বরজিৎ য়ুমাম য়াওনা সি.এম.ও. ওফিসকী ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

**মৈ (এল)**ঃ মনিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পানি লিমিটেদকী ওফিসিএলশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নিয়ম লান্না মৈ শিজিন্নবা মীওইশিং ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

লমলোং ৱান সব-দিভিজন, লমলাই সব-দিভিজন, য়াইরিপোক সব-দিভিজন, নম্বোল এরিয়া, মোইরাং এরিয়া, ফেরজোল এরিয়া অমসুং সেনাপতি এরিয়াদগী ঙসি পুন্না মীওই ২৪ মৈ লান্না শিজিন্নরম্বগীদমক ফাগৎখ্রে।

**টিবি ঃ** সরকারনা হায়রি-নুমিৎ ১০০ নি চথুবা ইন্টেসিফাইদ টি.বি. মুক্তা ভারত অভিয়ান মনুংদা টি.বিনা নাবা মীওই লাখ অমা লিশিং ৫৯ খঙদোকপা ঙমখি। থৌরাং অসি মমাং চহিগী দিসেম্বর তরেৎতগী পায়খৎপা হৌরকখিবনি।

কেন্দ্রগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ারগী রাজ্য মন্ত্রি-অনু প্রিয়া পটেলনা লোক সভাদা ঙসি ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা হায়-হায়রিবা মশিং অসি থা অসিগী অমা ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থেংনখিবনি।

**দিজিঃ** অকাশবানিগী দাইরেক্তর জেনরেল-ডা: প্রয়াগ পালিৱাল গৌরনা ঙসি প্রয়াগরাজকী মহা কুম্ভা মেলাদা চৎতুনা মফম অদুদা লৈরিবা অকাশবানিগী কেম্প ওফিস য়েংশিনখ্রে।

হৌজিক চথুরিবা মহা কুম্ভা-২০২৫ গী থৌরম কভরেজ তৌরিবা অকাশবানিগী ওফিসিএলশিং অমদি ষ্টাফশিংগা দাইরেক্তর জেনরেল হকথেংননা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। মহা কুম্ভা মেলা অসিগীদমক অকাশবানিনা অখন্ননা কুম্ভাবানি থা অসিগী ১০ দা হৌদোকখিবনি। প্রোগ্রাম অসি ফিক্যুয়েন্সি মেগাহর্জ ১০৩.৫ দা শন্দোক্লি। থৌরম অসি ন্যুজ ওন এ.আই.আর.এপ অমসুং ৱেবস ও.টি.টিদসু শন্দোক্লি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ হুমনিগী ফ্রান্স খোঙচৎ, লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌরগনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা শ্রী মোদিনা পেরিসতা ফ্রান্সকী রাস্ত্রপতি-ইমান্যুয়েল মেক্রোনগা পুন্না সভাপতি ওইদুনা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ.আই) সমিট পাঙথোক্কনি।

ফোরেন সেক্রেটরি-বিক্রম মিশ্রিনা ন্যু দিল্লিদা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-প্রধান মন্ত্রিনা থা অসিগী ১২ দা আমেরিকাদা চৎতুনা লৈবাক অদুদা নুমিৎ নিনি লৈদুনা আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড

ত্রম্পকা মীফম পাঙথোক্কুনা লৈবাক অনিগী ওইবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবা ৱাফম কয়াসু খন্নগনি।

**গেমস ঃ** ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং ফাওবদা ঙসিগী ওইনা আর্চারিদা সনাগী তকমান অমা, লুপাগী তকমান অমা অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান অমা ফংলে।

উত্তরাখন্দদা পাঙথোক্লিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মনিপুর টিমগী চীফ দি মীসন ওইরিবা-মোইরাংথেম রাচন্দ্রনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-ঙসিগী ওইনা নুপীগী আর্চারি হন্দিভিজয়েলগী ইন্দিয়ান রাউন্দদা সনাগী তকমান ফংখি। মশান্না অসিমক্কী নুপীগী টিম ইভেন্টকী ইন্দিয়ান রাউন্দদা লুপাগী তকমান অমা ফংখি।

গেমস অসিদা মনিপুরনা সনাগী ১১, লুপাগী ১০, শেঞ্জেংগী ৯ পুন্না তকমান ৩০ ফংদুনা ৭ শুবা মফমদা লৈরি।

করনাতক্কানা সনাগী ৩০, লুপাগী ১১ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৫ পুন্না তকমান ৫৬ ফংদুনা অহানবা, সাভির্সেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্ডনা সনাগী ২৮ য়াওনা পুন্না তকমান ৫২ ফংদুনা অনিশুবদা অমসুং মহারাষ্ট্রনা সনাগী ১৯ য়াওনা পুন্না তকমান ৮৮ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

**ফুটবোল (এল) ঃ** ইম্ফালগী সাই তাকয়েলদা চত্থরিবা ১৫ শুবা সয়িদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সি.আর.পি.এফ. ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস.জে.সি-সলামনা এস.য়ুবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল) ঃ** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শিনদুনা চত্থরবা ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইলিট

এফ.এনা মিলন এফ.এব্ পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল(এল) ঃ** কিয়ামগৈ য়ুথ প্রাইওনর ক্লবনা শিনদুনা কিয়ামগৈ হৈবোং মখোং লম্পাক্তা চথরিবা ১৩ শুবা খাগেম্বা ফুটবোল ত্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (এ) গী মেটচ অমদা মালেম এফ.সি অমসুং য়ুথ এফ.সি. পাঞ্জল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো চৎখে।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** ৪ শুবা এম.এন.সি.এ. বোইজ অন্দর ফোরতিন তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি লারেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা আর.সি.এ. লিলোংনা থাউ থাংমৈবন্দবু রন-১৭৫ দা মায়থিবা পীখ্রে।

প.টি.আর.সি. গ্রাউন্দ পাৎশোই পার্ট ফোরদা শান্নখিবা মেটচতা-য়েস দান-নিংথৌখোংনা আর.এন.ই.এফ.ময়াং ইম্ফালবু রন-২২৫ দা থোইখি।

তাউথোংগী খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতা এস.দি.ও. কৈরাও মকতিংনা সি.ৱাই.এস.এ. খাঙবোকপু ৱিকেট-৮ দা থোইখ্রে।

কোংবা ধোবি লম্পাক্তা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা রুল মৈত্রমনা চেম্প ক্রিকেট ক্লব-খাগেমপলিবু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে।